# থবক হেন্না পীবা হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অহানবা থৌশিলনি



ফাইল ফোটো

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*
ওপোজিসন পার্টিনা লৈঙাক অসিদা থবক মশিং হেন্না শেম্বা ঙমদ্রে হায়না অকনবা মরাল শীরকখ্রে। চহী ১গী মমাঙদা লৈঙাক অসিনা মশানা শেম্বা দেটাদা থবক লাক্ষ ১.৩৫ শেমগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুম ওইনমক মদু পাঙথোকপা ঙমখিদে।

ইং ২০১৪দদি থবক লাক্ষ ৪.২১ ক্রিয়েট তৌখিবনি। য়ুনিয়ন লেভর মিনিষ্টর বন্দারু দত্তত্রেয়ানা মে ১বু লেভর দে হায়না খন্দুনা থৌরম পাঙথোক্লিবদুগী মরম লৈগনি। মোদি লৈঙাক অসিনা জোব সেক্টরদা হন্থনা থবক তৌবা নত্তে হায়রি।

এপ্রিল ২৭তা ফোঙখিবা খ্বাইদগী নৌবা দেটাদা থাজবা থল্লি। লেভর রিপোর্টকী মতুং ইন্না পোৎ-চৈ শাবগী সেক্টরশিং, আই টি, লল্লোল ইতিক্কী লমদা থবক লাক্ষ ১.২ ক্রিয়েট তৌবা ঙমখ্রে। পোৎ-চৈ শাবগী লম খত্তঃদা থবক লিশিং ৮৩ শেমখি। রিপোর্ট অদুনা মখা তানা পল্লকখিবদা কেজুয়েল ৱাকর লাক্ষ ১.৫ হৌজিক হৌজিক সেক্টর কয়াদা থবক তৌরি।

লৈঙাক অসিনা ইং ২০১৬-১৭ অসিদা মশানা মশাবু থবক পীজবগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ফগৎহন্নবা হোৎনরি। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী দেটাদা মীওই ক্রোর ৪দা লুপা লিশিং ৫০দগী লাক্ষ ১০ ফাওবগী ওইবা মাইক্রো লোন পীখ্রে। মদু প্রধান মন্ত্রি মুদ্র য়োজনা স্কিমগী মখাদা অপিকপা করবারশিং হৌননবগী পান্দমদা লোনশিং অদু পীখিবনি।

অদুগুম্বা স্কিম অদুগীদমক লৈঙাক অসিনা লুপা লাক্ষ ক্রোর ১.৮০ থাদখি। মদু থবক পীবগী মশিং য়ামথোকহন্নবনি। প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনাগী মখাদা মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙমখ্রে। টেলঙ্গনা অমসুং মৈদ্য প্রদেশকী মতাংদা য়েংশিনবদা ফংখিবদি টেক্নিকেল স্কুল অমদা লোন পীদুনা মীওই ৩০ থবক পীবগী খুদোংচাবা লৈহনখি।

ওপোজিসন পার্টিনা লৈঙাক্কী ৱাফম অদুদা ৱাহং কয়া হংখি। মদুগীদমক থৌরাং তৌবীগদবনি। লৈঙাক্কী মত মতুং ইন্নদি লোন পীদুনা থবক ফংহনবগী মশিং হেনগৎহনগনি হায়বসিনি। মদু ভাবনা শাবা অমনি। অদুগুম্বা দেটা অদুদা চপ চানা ফোঙদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না জি এস মজুমদার কৌবা ইন্দিয়ান ত্রেদ য়ুনিয়নগী ওফিস বিয়ারর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসনা মিসাইল সিল্ড তৌরিবদু খুদক্তগী লেপকদবনি ঃ চাইনা




*বৈজিং, মে ২ঃ*
সাউথ কোরিয়াদা মিসাইল সিল্ড মপুং ফানা তৌরে হায়বা ৱাশিংটননা কনফার্ম তৌখিবা মতুং ঙসি চাইনানা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হায়, সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসনা মিসাইল সিল্ড সিষ্টেম থল্লিবা অদু খুদক্তগী লেপকদবনি।

চাইনাগী ফিরেপতি ময়েক শেংবা অমসুং তং তাবনি। সাউথ কোরিয়াদা টি ঐচ এ এ দি সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবা য়ানিংদে। মরী লৈনবশিংগী ফিভম য়েংলগা খুদক্তগী দিপ্লোই তৌরিবা সিষ্টেম অদু তোক্কদবনি।

লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা তঙাইফদবশিং অদু মপুং ফানা তৌরি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাভাংলোই গেঙসুৱাংনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা য়ু এসনা সাউথ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র বোম থাদবগী ড্রিল চখ্ৰি। মদু কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার ৱার অমা থোক্লনবা শীনবা থৌশিলনি। থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মে ১দা লম শন্দোকপা য়ু এসনা ন্যুক্লিয়র বোম থাদবগী ড্রিল চখ্খি। মদু চাইনানা য়ানিংদে। সাউথ কোরিয়াগী অতিয়াদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রেটেজিক বোম বি-১ বি অমদি ফোল ইগল জোইন্ট মিলিটরি ড্রিল পাঙথোকখি হায়বা পাউ খঙবা ঙমখি।

জিনহুৱা ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা বোম্বর অদু গুৱামদগী পায়খৎখি। কোরিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবানগী অতিয়াদা পায়দুনা ড্রিল অদু চখ্খিবনি। ন্যুক্লিয়র কেরিয়র অমসুং ন্যুক্লিয়র সবমেরিনশিংগা কো ওর্দিনেসন তৌদুনা ষ্ট্রেটেজিক ষ্ট্রাইক চখ্খি।

য়ু এসকী দোনাল্ড ত্রম্পনা অদুগুম্বা মিলিটরি কেম্প অদু চখবদা পুক্নিং চংলি। মদুগী কান্নবা করিনো। নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক চখনবগী মাংওইননা ড্রিল কয়া মথং মথং চখ্ৰি। লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌজিক উংখৎনবগী চাং খম থেংনবা ৱাংলে।

হৌখিবা থা ২গী মনুংসিদা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তসু উং খৎনরি। ৱাশিংটননা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামগী মতাংদা পিয়োং য়াংনা মিলিটরি এটেক্ট চখগনি হায়নসু কিহল্লক্লি।

য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা খ্বাইদগী চাওবা অপুনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে। য়ু এস এস কার্ল ভিন্সন ন্যুক্লিয়র এয়ারক্রাফ কেরিয়র কোরিয়ান পেনিনসুলাগী ঈশিংগী শরুক্তা থুংলখ্রে। লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগা পুন্না মিলিটরি ড্রিল পাঙথোক্নি হায়রি।

# শীন্মীশিংগী পেন্সন লুপা ৭৫০দা হেনগৎলগনি



*রাঞ্চি, মে ২ঃ*
ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রঘুভর দাসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়, শীন্মীশিংগী থাগী পেন্সন হান্না লুপা ৫০০ ফংলম্বা অদু লুপা ৭৫০দা হেনগৎহল্লগনি। মদুতা নত্তনা ফেমিলি পেন্সন হান্না লুপা ৩০০ পীরম্বা অদুসু ৫০০দা হেনগৎলগনি হায়খি।

শ্রামিক সমন সমরোহ হায়না মিংথোনবা লেভরস দে থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লাউথোক্লিবা ৱাফম অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌরগনি। লাইরবা ইমুংগী অঙাংশিংগীদমক লৈঙাক অদুনা স্পোর্টস স্কুল হাংদোক্লগনি।

মখোয়বু স্পোর্টসকী লমদা কেরিয়র শেম্মনবগী খুদোং চাবা ফংলগনি। মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা নহারোলশিং থবক ফংবা ৱাৎপনা মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদগী লাপ্পা লৈরে। লৈঙাক অসিনা নহারোলশিংবু থবক হেন্না পীননবা থৌশিল কয়া পায়খৎকনি।

মাওইষ্টকী ইরাংনা শোকহল্লবা পেসরর, ঝু মরা অমসুং গুরাবন্ধদগী নহারোল ৯০০তা থবক পীননবা হোৎনরি। প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্সিশিং দা থবক পীদুনা মখোয়বু থা ১দা লুপা ৮,৫০০গী শেম্থোক লৈহনগনি। লেভর, ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং ত্রেনিং দিপার্টমেন্টতা স্কিল দিভলপমেন্ট লোয়না লোয়ননা নহারোলশিংবু খুৎ-শা হৈহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। মদুনা মখোয়গী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা ওইহনগনি।

থবক শুবা মরু ওইনা অনত্রেন ওইবা শীন্মীশিংগী শেল-থুমগী ফিভম শোত্থনা লৈরি। দিপার্টমেন্ট অদুনা মখোয়বু সোসিয়েল এন্দ ইকোনোমিককী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ত্রেনিং পীগনি।

লেভর রিফোর্স মায় পাক্না অহানবা ওইনা থবক পায়খৎপদা থাগৎপসু ফোঙদোকখি। উদ্যামি শাক্তি মন্দলনা থবক পীবগী মশিং হেনগৎহল্লি। লৈঙাক অসিনা লাইরবশিংবু চীংখৎনবগী পান দমসু থল্লি।

ওর্গনাইজ সেক্টরশিংদা থবক শুরিবা মীওইশিং ত্রেদ য়ুনিয়ননা খুৎশম্নরি। অদুম ওইনমক ওন ওর্গনাইজ সেক্টরদদি মদু লৈত্রি। অন ওর্গনাইজ সেক্টরশিংদা লৈবা মীয়াম মশা মশানা রেজিষ্টার তৌননবা আপিল তৌখি।

রেজিষ্টার তৌবনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী স্কিমশিংদা খুদোংচাবা ফংগনি। লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা ৱেলফিয়ার স্কিম কয়া লৈ। চয়োল ১ পাঙথোকপা কেম্পশিং শীনগদবনি। শীন্মীশিংগী একাউন্টসু হাংহনগদবনি হায়খি।

# ই সিনা অনন্তনাগ লোক সভা মরক্কী মীখল য়ৈথোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী অনন্তনাগ লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোক্কদবা মরক্কী মীখল য়ৈথোকখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউ মতুং ইন্না মীখল অদু মে ২৫দা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্পুরবনি। সিক্যুরিটিগী খুদোং চাদবা লৈবনা মরক্কী মীখল অদু য়ৈথোকপনি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হৌজিক ষ্টেট অদুদা ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফত্তবা অদু য়েংলগা মরক্কী মীখল অদু য়ৈথোকপীনবা ইলেক্সন কম্মিসনদা হায়জরকখি। কম্মিসন অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট লৈঙাক্লসু অইবা চেরোল পীদুনা হায়জরকপা লৈরে। সেপরেটিস অমসুং তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিংনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিন দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুদা মীয়াম শরুক য়াদনবা খঙহল্লি।

ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৬ অমসুং ১৭তগী মীওই কাংলুপ খরনা মীখলগী মায়োক্তা কেম্পেন চখবা লৈখ্রে হায়রি।

অনন্তনাগ লোক সভা সিটতা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অদুগী মতম কম্মিসননা মতমগী মতুং ইন্না লেপকনি। শান্তি ওইনা, অকি অখঙ য়াওদনা মীখল পাঙথোকপা য়াননবা য়েংশিনগনি।

ইলেক্সন কম্মিসননা সেন্টরদা অনন্তনাগ লোক সভা সিটকী মরক্কী মীখলগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্স কম্পেনি ৬০০ পীবিনবা হায়জ খিবসু লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক হোম এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা কম্পেনি ২৫০ খক্তমক পীগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরকখি।

সিট অদু মেহবুবা মুফতিনা এম পি ওইরম্বা মফমনি। অদুম ওইনমক মেহবুবা মুফতিনা জে এন কেগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈখ্রবা মতুংদগী সিট অদু হাংদুনা লাকখি। মীখল অদু এপ্রিল ১২দা পাঙথোক্লবা হান্না মতম লেপ্পুরবা মতুং অমুক য়ৈথোক্তুনা মে ২৫দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লোক সভা মীখল অদুগী মাংওইননা পাক চাওনা হিংশাগী থৌদোক থোকপদগী মীখল অদু অমুক হন্না য়ৈথোকপনি হায়রি। মরক্কী মীখল অদুগী মাংওইননা থোকপা হিংশাদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮গী পুন্সি মাংখ্রে। অদুগা ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রবনি হায়রি।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা সিরিয়া ঙমখৈদা ইরাক লান্মী ৭ হাৎখ্রে

*বাগদাদ, মে ২ঃ*
ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা সিরিয়াগী ঙমখৈ পরিং নক্না লৈবা ইরাক লান্মীগী পোজিসনশিংদা এটেক্ট কয়া চখরক্লি। সিরিয়া ঙমখৈদা লৈবা লান্মীগী পোষ্টতা নোংমাইজিং অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অকনবা এটেক্ট চখরকপদা ইরাক লান্মী ৭ শীরে, অদুগা ১২না শোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট থেংননবা য়ু এসকী মতেংগা লোয়ননা ইরাক লান্মীনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী অকনবা থবক পায়খৎলকখি। মোসুল সহর অমুক হন্না লৌশিন্নবা লান্মীনা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মফম অদু সিরিয়া অমসুং ইরাকনা পুন্না খুদুম চন্দুনা লৈরি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রুটব মনাক্তা লৈবা লান্মীগী পোষ্ট অমদা চখরকখিবা এটেক্টতা লান্মী ৪ শীখি। অদুগা ৪না অশোক অপন নংখি।

রুটব হায়রিবা মফম অদু সিরিয়া অমসুং জোর্দানগা তাইনবা ঙমখৈ পরেংদা লৈবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা অৱাং থংবা রুটবগী অকাসাদতা এটেক্ট চখরকপদা লান্মী অহুম শীখি। অদুগা ৮না অশোক অপন নংখি হায়না লান্মীগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকাসাদতা চখখিবা এটেক্ট অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা চখখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈখ্রে। ঙমখৈগী শরুক অদুদা সুনি লালহৌবগী ৱাথোকসু মরু ওইনা থোকখি। ইং ২০০৩দগী লালহৌবগী ইরাং অদু লাকখিবনি। য়ু এসনা ইরাক্তা লান দাখিবা মতুংদগী সুনি লালহৌবগী ইরাং অদু হৌরকখিবনি হায়রি।

# টেক্সাজ য়ুনিভর্সিটিদা থাঙনা থিন্নবগী থৌদোক্তা ১ শীরে

*হাউষ্টন, মে ২ঃ*
য়ু এসকী হাউষ্টন কেম্পসতা লৈবা টেক্সাজ য়ুনির্ভসিটিদা থোকখিবা থাঙনা থিন্নবগী থৌদোক্তা মহৈরোই ১ শীরে। অদুগা অহুমনা শোকহনখ্রে। মহৈরোই কেন্দ্রেক্স জে হুৱাইট (২০) কৌবা মীওই অমনা এটেক্ট অদু চখবনি হায়বা খঙবগা লোয়ননা মীওই ৪দা চখখিবা এটেক্ট অদুগীদমক ফারে।

মীওই ৪ শোকখিবগী মনুংদা ১দি মফম অদুমক্তদা লৈখিদে হায়না য়ুনিভর্সিটি পুলিসকী মকোক চীফ দেবিদ কার্টরনা ফোঙদোরক্লি। পুলিসনা ঙরাং অহিং পুং ১.৩০ রোম চৎপদা তৌরকপা ফোন অমা পায়খৎপদা থাঙনা থিন্দুনা এটেক্ট চখখিবগী পাউ অদু ফংবা ঙমখি।

মীওই খরা শোকহল্লম্নবা মতুং গ্রিগোরি জিম মনাক্তা মীওই অমা উরি। মহাক জে হুৱাইটনি হায়বা মশক খঙদোক্লে। বাওই-ষ্টাইল হন্টিং নাইফ অমগা লোয়ননা মীওই অদু ফাগৎখি। পুলিসনা নোংমৈ শৎতুনা মীওই অদু লৈমায়দা পাকথনবা খঙহনখি। মদুগী মতুং ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থমখিবনি হায়রি।

GAS TODAY

**HRANGCHAL GAS AGENCY, Old Lambulane**
Booking upto .......28/02/2017
Valid from ........... 24/02/2017
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MISAO GAS**
Booking upto .......15/03/2017
Valid from ........... 24/02/2017
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**CANCHI INDANE**
Booking upto .......20/02/2017
Valid from ........... 12/02/2017
Stk ......306, 19kg ............. 50
Rate ......................... Rs. 884
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......17/03/2017
Valid from ........... 24/03/2017
Stk ........................612 DBTL
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......13/02/2017
Valid from ........... 02/02/2017
Stk ........................306 DBTL
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking upto .......26/03/2017
Valid from ........... 06/03/2017
Stk ..................................306
Timing........9.00 to 11.00 a.m

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto .......28/02/2017
Valid from ........... 23/02/2017
Stk ......306, Sl. No. ..... 2780
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**KHORIPHABA GAS, Nambol**
Booking upto .......28/02/2017
Sl. No. ...................... 650000
Valid from ........... 21/02/2017
Stk ........................306 CTC
Timing........7.00 to 9.30 a.m

**KHONGNANG GAS, BISNUPUR**
Booking upto .......16/01/2017
Valid from ........... 17/12/2017
Stk ........................306 DBTL
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**BD GAS, CHANDEL**
Booking upto .......18/03/2017
Valid from ........... 21/12/2017
Stk ..................................306
Timing..10.00 am to 1.00 pm

**LAMSANG GAS**
Booking upto .......08/02/2017
Valid from ........... 31/01/2017
Stk ..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto .......28/02/2017
Valid from ........... 22/02/2017
Stk ........................306 DBTL
Timing........7.30 to 9.30 a.m

# মোবাইল টৱার রেদিয়েসননা মীওইবগী হকচাংদা অকায়বা অমত্তা পীদে ঃ মনোজ সিনহ

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*
মোবাইল টৱার রেদিয়েসনগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা কম্যুনিকেসন মিনিষ্টর মনোজ সিনহনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা লৈবা থাক্তগী ইন্দিয়াদনা শরুক ১০ হেন্না অকনবা নিয়ম চৎনহল্লি। হেন্না কনেক্টিভিটি লৈহন্নবগীদমক টৱার মশিং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবসু লৈরি।




মীয়াম্মা মখোয়গী য়ুমগী মনাক্তা মোবাইল টৱার লৈহনবা পামদে হায়নসু ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ টেলি কম্যুনিকেসন (দি ও টি)না শীনবা ৱেব পোর্টেল টরঙ সঞ্চার হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখি।

পোর্টেল অদুগী আর্থদি পাউ মোবাইল ফোনগী খুথাংদা পীথোক-পীশিন তৌবা অমসুং ইলেক্ট্রো মেগ্নেটিক ফিল্ড কমপ্লিয়েন্স হায়বসিনি। মীয়াম্মা লম অসিগী মতাংদা করিসু খঙদ্রি। লোয়ননা তোকঙা শন্দোকপগী মায়কৈরোমদা চৎতুনা লৈরি।

ঐখোয় হৌজিক হেন্না কনেক্টিভিটি লৈহনবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংগৎহনবা তঙাইফদে। মোবাইল টৱার রেদিয়েসননা মীওইবগী হকচাংদা পামদবা চৈফু অমত্তা পীদে। হৌখিবা চহী ৩০দগী ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা হিরম অসিগী মতাংদা কেম্পেন ২৫,০০০ রক চখখিবা লৈখ্রে।

মদুদা মোবাইল টৱার রেদিয়েসননা মীওইবগী হকচাংদা অকায়বা পী হায়বগী ৱাফম অমত্তা পন্দে। টরঙ সঞ্চার পোর্টেল হৌদোকপা অসিনা মীয়ামদা লৈরিবা লান্না থাজবা অদু শেংদোকপা ঙমগনি।

পোর্টেল অদুদগী মীওই অমনা হেক্তা খঙননবা মরু ওইনা টৱারগী মরমদা হংবা য়াহনগনি। টৱার লৈরিবা মফমশিংগী চপ চাবা ঈ-পাউ খঙনিংলবদি ঈ-মেলগী খুথাংদা খঙবা য়াগনি।

মদুতা নত্তনা মীওই অমনা হেক্তঃ মফম অমগী ই এম এফকী মরমদা হায়জরকপসু য়াগনি। টেলিকোম ইনফোর্সমেন্ট রিছোর্স এন্দ মোনিটরিংনা চাংয়েং পাঙথোক্কনি। চাংয়েং তৌখিবগী রিপোর্ট অদু হংলক্লিবা মীওইশিং অদুদা ফংহনগনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী লান্মী ২ এল ও সিদা মঙক কক্তুনা হাৎলম্লে

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*
ইন্দিয়াগী লান্মী ২ লাইন ওফ কন্ট্রোল লমদমদা পাকিস্তান লান মীনা মঙক কক্তুনা হাৎলমখিবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিং অৱাই অখুম তৌনখ্রে।

মিলিটরি এফিয়ার্সকী দাইরেক্টর জেনরেল লেফটিনেন্ট জেনরেল এ কে বতনা হোট লাইনদা মহাক্কা ফম মান্নবা পাকিস্তানগী কম্মান্দরগা অকনবা মওংদা অৱাই অখুম তৌনখ্রে। প্রেম সাগর অমসুং নাইক সুবেদার পরমজিৎ সিংহ ওৎ নৈদুনা হাৎখিবগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা লান্মীদা চপ চাবা লমন খুম্নবা অকনবা ৱার্নিং তৌরকখিবা মতুং মকোক থোংবা লৈবাক অনীগী লান মীশিং অৱাই অখুম তৌনখিবনি।

পুঞ্চ সেক্টরগী য়েৎনবা লৈরিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পেট্রোলিং চৎপদা লান্মীশিং শরুক য়াখিবনি। পুঞ্চ সেক্টরগী পোষ্ট অনীদা রোকেট অমসুং মোটার বোম কয়া কাপশিন্দুনা ঙরাং অয়ুক এটেক্ট তৌরকখিবসু লৈখি।

লৈখিদ্রবা লান্মী অদু অমনা বি এস এফকী পার্সোনেলনি, অদুগা অমনা লান্মীগী মীওইনি। অশিবা হকচাংশিং অদু হেরো অমগুম্না চপ চানা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা পঞ্জাব অমসুং উত্তরপ্রদেশতা লৈবা ময়ুমশিংদা থিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না পাকিস্তান লান্মী অমসুং টেরোরিষ্টশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্দুনা চংশিল্লকখি। মদু পাকিস্তান লান্মীনা অকনবা মওংদা মোটার অমসুং রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক্ট চখরিঙৈ চৈরক্তনি। পাকিস্তান লান্মীগী এল ও সিদা লৈবা পোষ্ট অমনা নোংমৈ কাপ্পুনা ঙাকলৌ পীরবা মতুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদা টেরোরিষ্টশিং থাজিল্লকখি।

হকচাংগী শরুক মচেৎ মচেৎ কক্তুনা লান্মী অনী হাৎলম্বগী মতাংদা ইন্দিয়াগী লান্মীগী মকোক্না থৌওং অদু মীওইবগী লিচৎ নত্তবা অমনি। লোয়ননা খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগীদমক লৈবাক অসিনা লেপকনি হায়খি।

# আইনগী মখাদা অধার তঙাইফদবা অমা ওইবা য়াই ঃ রোহাদগি

*ন্যু দিল্লি, মে ২ঃ*
অধার শাবগী পাঙ্গল লৈঙাক্তা লৈ। দিজিট ১২গী য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর পান কার্দকী তঙাইফদবা অমা ওইবা য়াই হায়না সেন্টরগী লো ওফিসার মুকুল রোহাদগিনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

অধার তঙাইফদবা অমা ওইনা মীওই অমগী শোইদ্রবা অমসুং অশাবা য়াওদ্রবা আইদেন্টিটি ওইরগনি। এটোর্নি জেনরেল রোহাদগিনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা চখখিবা হিয়ারিংদা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

ইনকম টেক্স লোগী মতাংদা শীংনদুনা ৱাকৎ অহুম লাকখি। ৱাকৎশিং অদুগী হিয়ারিং ঙসি চখবদা রোহাদগিনা অধার আইনগী মখাদা তঙাই ফদবা অমা ওইহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না ইনকম টেক্স রিটর্নগী ফোম মেনবদা অধার নম্বরসু তঙাইফদবা অমা ওইরগনি। কনাগুম্বশিংনা পান কার্দকা অধার নম্বরগা শম্নহনবা পামদ্রবদি খুদোং থিবা মায়োক্লগনি। লোয়ননা পান কার্দ অদু মাংজগনি।

ঙসি হিয়ারিং চখখিবা অদুদা ৱাকৎলকখিবশিংগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী থৌশিল অদু অন কন্সটিট্যুস্নেল ওই। হকথেংননা অধারগা পানগা য়ৈশিন্নবা ওইনা থোক্কনি হায়খি।



এটোর্নি জেনরেল রোহাদগিনা মখা তানা হায়, অধার আইনগী মখাদা লৈবা অমনি। ভোলুন্টরি ওইনা থবক পায়খৎপা নত্তে। লোলগী ওইনদি খেৎনবসু লৈবা য়াই। লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা রোহাদগিনা পীখিবা পাউখুমদা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা চহী ১ রোমগী মমাঙদগী অধার শেম শাবগী থবক ত্রাইয়েল ওইনা হৌখ্রবনি।

মীয়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইনা অধার নম্বর লৈগদবনি। অঙাংশিংগী চিঙ্গাক লৌবা অমদি লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা খুদোংচাবা ফংবদা অধার নম্বর চংগনি। অধার নম্বর লৈতবশিং খুদোংচাবশিং ফংলোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীওই মিল্লিয়ন ১৩০গী অধার নম্বর পীখ্রে। খ্বাইদগী মরু ওইবা অরোনবা দেটাশিংদি অদুমক লোৎতুনা থল্লি। মদু মীয়ামদা লোইনমক খঙহনবা য়াদে হায়খি।

সনা-সুদোকু- ৮৪৯ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 9 | 1 | 5 | 8 | 2 | 4 | 6 |
| 1 | 5 | 6 | 2 | 4 | 7 | 3 | 8 | 9 |
| 8 | 2 | 4 | 3 | 9 | 6 | 1 | 7 | 5 |
| 2 | 4 | 3 | 8 | 6 | 5 | 7 | 9 | 1 |
| 6 | 8 | 7 | 9 | 1 | 2 | 5 | 3 | 4 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 3 | 4 | 8 | 6 | 2 |
| 4 | 7 | 1 | 5 | 8 | 9 | 6 | 2 | 3 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 2 | 3 | 4 | 1 | 7 |
| 3 | 6 | 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 5 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-850**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | 6 |
| 1 | | | | | | | 8 | 9 |
| | 2 | 4 | 3 | | | | | |
| | 4 | | 8 | | | 7 | | 1 |
| 6 | | | | | 2 | 5 | | |
| 9 | 1 | | | | | | | |
| | | 1 | | | 9 | | | |
| | 9 | 8 | | | 3 | 4 | 1 | |
| | | 2 | | 7 | 1 | | | |